**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-12-2025)**

**এৱার্দঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিগী বিগ্যান ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা, ইং ২০২৩ অমসং ২০২৪ গী নেসনেল হেন্দিক্রাফ্ট এৱার্দ খূৎশিন্নখ্রে।

কেন্দ্রগী তেক্সতাইল মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়-লেমজনিঙাই ওইরবা মনাশিং অসি লৈবাক অসিগী থোইদোক হেন্দোকপা মাষ্টর ক্রাফটসকী মীওইশিংদা পীবনি । ভারত সরকারনা ভারতকী ইনাক খুল্লবা পাক চাউরবা হেন্দিক্রাফটকী হেরিতেজ অসিবু য়োকখৎনবা অমদি হেন্না মশক খংহন্নবা পান দমদা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিংবু শিংথাবা ওইনা মনা অসি পীবনি। ইং ২০২৩ গী ওইনা সিল্প গুরু এৱার্দ ফংগদবা মীওই ৬ অমসুং নেসনেল হেন্দিক্রাফট এৱার্দ ফংগদবা মীওই ১৮ নি।

ইং ২০২৩ গী ওইনা নেসনেল হেন্দিক্রাফট মনা ফংখিবশিংগী মনুংদা মণিপুরদগী মীওই অহুম য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি, কেন এন্দ বেম্বুগী (কৌনা) ক্রাফটতা থৌবাল জিলাগী হৈরোক পার্ট টুদগী শ্রীমতি লাইশ্রম মেমিচা, দিবিয়াঙ্ক আর্টিস ওইনা-হেন্দ এম্ব্রোইদরিদা ককচিং জিলাগী ককচিং ময়াই লৈকাইদগী শ্রীমতি য়েংখোম ওংবী ইন্দিরা দেবী অমসুং এনদেঞ্জর (সাফি-লানফি) দা ইম্ফাল ইষ্টকী কোইরেংগৈ বজারদগী শ্রীমতি এ.বিমোলা দেবীনি।

ইং ২০২৪ গী ওইনা মীওই তরুক্তা সিল্প গুরু অমসুং মীওই ১৯ দা নেসনেল এৱার্ড পীখি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা মনিপুরদগী লৈতেংগী ওইবা সনা-লুপা অমদি জেমস্তোনগীদমক ইম্ফাল ৱেষ্টকী নাগামপালদগী চোংথাম লোয়ালাকপী চনুদা য়াওরি।

**ডে (এল)ঃ** নেসনেল রিকনসোলিদেসন মন্থকী ১৯২ শুবা কুমওন থৌরম ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি য়ুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মণিপুরনা শিনবনি। ঐখোয় অমুক খুন্তাক্লরোইসি হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা থৌরম অসিগা মরী লৈননা কংলা গেটতগী রেল্লি অমা চৎখি। ঐখোয় মচোই তাবগী ৱাখল থাদোক্লসি, ঐখোয়গী তুংগী লাইবক ঐখোয়না লেপ্লসি হায়বনচিংবা খোল্লাওশিং লাওখি। য়ু.পি.এফকী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম রুপচন্দ্র য়াওনা লুপ অসিগী মরুওইবা থৌ পুরিবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। নেসনেল রিকনসোলিদেসন মন্থ অসি ঙসিদগী হৌরগা মথং থাগী ৯ ফাওবা চথ্খগনি।

মণিপুর, অসাম, মেঘালয় অমসুং ত্রিপুরাদা মৈতৈশিং তাবা মফমশিংদা অথৌবশিংগী মীতম উরেপ উয়ুং তম্বা য়াওনা মীয়ামগী মীফম, পোষ্টর কেম্পেইন, রেল্লিনচিংবা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। মপাল লমদা লৈবা মণিপুরীশিংগী থৌরম থা অসিগী ১৯ দা শিল্লোংগী রেট লেন্দদা হৌদোক্কনি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা মনিপুর বি-কিপ্পিং এন্দ হনি মীসনগী মখাদা নুমিৎ তরেৎনিগী ওইবা ত্রেন্নিং অমা ঙসি হৌদোকখ্রে।

হোর্টিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জারভেসনগী কেসিয়ুনত দিবলপমেন্ট ওফিসারনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা খোই করমা য়োক্কনি হায়বগী মতাংদা ত্রেন্নিং পীগনি। থৌরম অদু দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমার, এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার, সব-দিভিজনেল এগ্রীকলচর ওফিসারনচিংবা শরুক য়াখি।

ঙসি হৌদোকখিবা ত্রেন্নিং অদুদা মীওই ২৫ শরুক য়াখি। জিরিবামগী বি-কিয়ার রিছার্স সেন্টরগী মেনেজিং দাইরেক্তর-ঐচ. রাজেনকুমারনা মতৌ করমা শেন্থোক লৈনবা খোই লোইগদবগে হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**রিলিফ (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাদবগী ফিভম লৈরক্তুনা লৈমরাম হায়স্কুল রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌরকখিবা অমদি থা অসিগী মরিদা মশা মশাগী য়ুমদা হনজিনদুনা নৌনা খুন্দা লৈতারবা লৈমরাম ৱারোই চিংগী ইমুং ৬৩ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী কম্বল অমমম য়েন্থোকখ্রে।

অমরোমদা, কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না লৈমরাম ৱাইরোই চীংদা আই.দি.পিশিং মখোয় মখোয়গী ময়ুমদা হনজিলহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবগীদমক বিষ্ণুপুর জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

অমরোমদা, লাঞ্জেন্নদুনা লৈরুরবা ইমুংশিংদা সরকারনা পীফম থোকপা শেনফমশিং অমদি মতিক চাবা সেক্যুরিতি পীবিনবসু আপিল তৌরক্লি।

**এময়ু (এল)ঃ** ‘ইনোভেসন ইন সাইন্স এন্দ টেকোলোজি’ হায়বা হীরমদা নুমিৎ হুমি চথুগদবা নোর্থ ইষ্ট ইন্তরনেসনেল কনফরেন্স ঙসিদগী কাঞ্চিপুরদা লৈবা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা হৌখ্রে।

নোর্থ ইষ্টর্ণ কাউন্সিল শিল্লোংগী তেংবাং মখাদা মণিপুর ইন্সটিট্যুসন ওফ টেকোলোজি(এম.আই.টি), মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা পুন্না শিনবা কনফরেন্স অসিদা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী লাকপা দেলিগেটশিং য়াওনা মপাল লৈবাক্কী দেলিগেটশিং শরুক য়ারি। মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চাঞ্চেলর প্রোফেসার এন.লোকেন্দ্র সিংহ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিতি স্কুল ওফ ইঞ্জিনিয়রিংগী দিন প্রোফেসর এন বসন্ত সিংহ মীফম অসিদা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মনিপুর য়ুনিভসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র সিংহনা হায়-ভারতকী অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং অসি অনৌবা টেকোলোজিগী হব ওইনা থোরক্লি। রাজ্যশিং অসিদা তঙাইফদ্রিবদি মহৌশাগী ওইবা গ্যান লৌশিংগা অনৌবা টেকোলোজিগা শমহনহনবগী থোং অমা শেন্বা অদুনি। তুংদা, এক্সপর্টশিংনা ইন্নোভেসন সাইন্স অমসুং টেকোলোজিগী মতাংদা

টেকিকেল সেসনশিং পাঙথোকখি।

**কাউন্সিল (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্বকী হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসন ২০২৬ মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ১৭ তগী হৌরগনি।

কাউন্সিলনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ক্লাস তুয়েল্ব পরিক্ষা অসি মার্চকী তাং ২০ ফাওবা চত্থগনি। স্কুলশিংনা প্রেক্তিকেল এগজামশিং মথং চহীগী জনুৱারি ৩১ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগদবনি।

অমরোমদা, ক্লাস এলেভেনকী পরিক্ষানা মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ১৬ তগী এপ্রিল ৪ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি। প্রেক্তিকেল পরিক্ষাশিং ফেব্রুৱারি ৫ ফাওবদা লোইশিনগদবনি হায়না কাউন্সিলগী কন্ট্রোলরনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসন ২০২৬ (মেত্রিক পরিক্ষা) গী মতম লাউথোক্লে। পরিক্ষা অসিগী লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ২৩ দগী হৌরগা মার্চ ২৩ ফাওবা চত্থগনি।

**প্রি-বোর্ড (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা হয়ার সেকেন্দরি ইগজামিনেসন থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা ক্লাস টুয়েল্ব পরিক্ষাগী মাংওইননা পাঙথোকপা প্রি-কাউন্সিল ইগজাম ২০২৬, ঙসিদগী তোঙান তোঙানবা ইগজামিনেসন সেন্টরশিংদা হৌখ্রে। পরিক্ষা অসি থা অসিগী ২২ ফাওবা চত্থগনি।

কাউন্সিলনা পাঙথোক্লিবা পরিক্ষা অসিগী মনুংদা কনাগুম্বা অমত্তনা অয়েৎ অপন পীবিদনবসু ওল মনিপুর রিকোগনাইজ প্রাইবেট স্কুলস ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা আপিল তৌরক্লি।

**চান্দেল(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি, চান্দেলগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট তোবেকো কন্ট্রোল সেলনা শিনদুনা অহুমশুবা তোবেকো ফ্রি য়ুথ কেম্পেইন ৩.০ জিলা অদুগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

কেম্পেইন অদু জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-লাইশ্রম নন্দকুমার সিংহনা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার-ডা: এল. দেবেন সিংহনা হায়-থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা ৱাখল্লোনদি হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবনা হকচাংদা মাংজবা কয়া অদু নহাশিংদা নীংথিনা খঙহনবনি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা স্কুল, কলেজ অমদি খুঙ্গংশিংদা হিদাক মনা শীজিন্নদনবা ৱাশক লেমীন্নবা, খুঞ্জাশিংগা হকশেলগী ওফিসিএলশিংনা ৱারী-ৱাতাই শান্নবগী থৌরম পাঙথোকপা অমদি নহাশিংগা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবনা খুদোংথিবা কয়া থোকহল্লি হায়বদু খঙহনবনচিংবা থৌরমশিং পাঙথোকখি।

**কাউ(এল)ঃ** লৌমীশিংবু ফামরস প্রদ্যুসর ওর্গনাইজেসন (এফ.পি.ও) অমসুং স্তার্টঅপতা য়াওহন্দুনা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা নুমিৎ ১০ নি চুপা চথুগদবা সোর্ট কোর্স অমা ঙসি লমফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদুকেসন (দি.ই.ই) গী সি.এ.য়ু. নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন মোদেল ফার্মদা হৌদোকখ্রে।

ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রীকলচরেল রিছার্স (আই.সি.এ.আর) অমসুং দি.ই.ইনা পুন্না পাঙথোকপা কোর্স অসি থা অসিগী ১৮ ফাওবা চথুগনি।

**অখিল(এল)ঃ** করনাতক্কাগী গদক্তা থা অসিগী ১৩ দগী নুমিৎ নিনি চথুগদবা ১৮ শুবা অখিল ভারত্তিয়া রাস্ত্রিয়া সমেলন অমসুং ১৮ শুবা ওল ইন্দিয়া পঞ্চায়ট কনফরেন্সতা শরুক য়ানবা ওল মনিপুর পঞ্চায়ট পরিষদ এদমনিষ্ট্রেটিব কমিতিগী

মীওহ্ ১৩ না শাবা মীহুৎ কাংবু ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

**শিবরাঃ** লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহনা হায়রি-কেন্দ্রনা পি.এম. কিষান স্কিম হেক হৌদোকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা লৌমীশিংদা লুপা কোতি লাখ ৪ হেন্না ইন্সটোলমেন্ট ২১ থোকা য়েন্থোকখ্রে।

লোক সভাদা ঙসি মখা তাবা ৱাহংগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা হায়-শেনফমশিং অদু লৌমীশিংগী মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা পি.এম. কিষান পোরটেনগী খুত্থাংদা থাগৎলকপা দাটাগী মতুং ইন্না কুপা য়েংশিল্লগা দাইরেক্ট বিনিফিট ট্রান্সফর (দি.বি.টি) গী খুত্থাংদা চংহনখিবনি।

**ইসিঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) ফেজ টুগী মখাদা লৈবাক অসিগী ইলেক্তর কোতি ৫০ লাখ ৯৯ দা ইন্যমেরেসন ফোর্মশিং য়েন্থোকখ্রে।

তাঙ্কক অসিদা পুন্না কোনশিনগদবা ইলেক্তর কোতি ৫১ গী মনুংদা ইন্যুমেরেসন ফোর্ম য়েন্থোকপগী চাং চাদা ৯৯.৯৭ ওইরে। কম্মিসননা হায়-এস.আই.আর. ফেজ টু অসিদা রাজ্য ৯ অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি অহুমদা ভোটর লিষ্ট শেমদোক শেমজিনগী থবক চত্থরি। মেনশিল্লবা ইন্যুমেরেসন ফোর্মশিং থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি। কেরলাগী ওইনদি থা অসিগী ১৮ ফাওবা মতম পীরি। এস.আই.আর. ফেজ টু অসি মায় পাকা পাঙথোকবা কমিসননা হৌজিক ফাওবদা ইম্যুমেরেসন ফোর্ম কোতি ৫০ হেন্না দিজিটাহজ তৌখ্রে অমদি ফাইনেল ভোটর লিষ্ট ফেব্রুৱারী ১৪ দা ফোংগনি।

মরক অসিদা, হৌজিক চত্থরিবা লোক সভা মীফমদা কংগ্রেস সদস্য-মনিশ তিৱারিনা এস.আই.আর. পাঙথোক্লিবা অসিগী মরম হংখি। লোক সভাদা কংগ্রেস লুচিংবা অসিনা হায়-ভারতকী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা হৌজিক

এস.আই.আর. চথ্খরি। অদুবু, আইনগী মীৎয়েংদগী ইলেক্সন কম্মিসননা হৌজিক এস.আই.আর. পাঙথোক্লিবা অসি চুমদে।

**নিরমালাঃ** হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা সোসিএল মেদিয়াদা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা পুং অমদা লুপা লিশিং মঙা থিরগা থা তরুক্তা লুপা কোতি অমা ফংবগী স্কিম ভাইরোন ওইরক্লিবা অদু শাজিন্নবনি হায়রি।

পি.আই.বি. ফেক চেক য়ুনিটনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-সোসিএল মেদিয়াদা ভাইরেল চৎলিবা ভিদিও অদু আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) গী খুৎথাংদা শাজিন্নবনি। মন্ত্রিনা অসিগুম্বা স্কিম অমা লাউথোকখিবা অমদি শৌগৎপগী ৱাফম লৈতে। চেরোল অসিনা মখা তানা মীয়ামনা অসিগুম্বা শাজিন্নবা ভিদিওশিং অসিদগী চেকশিনবীনবা অমদি অচুম্বা খঙনিংলবদি সরকার অমদি মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংগী ৱাফম খক্তমক থাজবীনবা হায়রি।

**পোলো ঃ** ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা মপাল কাংজৈবুংদা চথ্খরিবা সেকেন্দ দি.জি.এ.আর মেন্স এন্দ ৱিমেন্স পোলো চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মেটচশিংদা-ব্লেক ৱাটস পোলো ক্লবনা ময়াং ইম্ফাল পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১৯-৩ দা, পেরেদাইজ পোলো ক্লবনা কে.এন্দ. এম.এম. রাইদিং পোলো টিম (বি) বু পাঞ্জল ৫-২ দা অমসুং লোয়ালাকপা পোলো ক্লবনা লাইনিংথৌ খোরিফাবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-১ দা মায়থিবা পীখি।

**ফুটবোল ঃ** ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং আর্টিফিসিএল তর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন-ৱাংখৈনা এলভেন স্তার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন-অকাম্পাৎপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-টিদিম রোড এঠলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাউ) অমসুং মীলন ফুটবোল একাডমী পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** অহুমশুবা প্রেমিয়ার লিগকী ঙসি এস.এস.সি. গ্রাউন্দ সেক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা সঙাই হেরোজনা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা ইম্ফাল য়ুথ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** এ.আই.এফ.এফনা শিনবা ইন্দিয়া য়ুথ লিক ইলিটকী মেটচ অমদা ঙসি সেন্ট এনথোনি স্কুল গ্রাউন্দ সঙাকফমদা শান্নখিবা মেটচ অমদা তাইদানা ইলিট ফুটবোল একাডমীবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** য়াইরিপোক সিংঙাদা চথরিবা ৯ শুবা এস.আই.সিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-রোসন এফ.সি. য়াইরিপোকনা এস.আই.সি. টিম (বি) বু ১-০ দা অমসুং গোরো এফ.সি. ক্ষেত্রিগ্রাউনা ৱাই.ডল্লিয়ু.সি. ৱাংখেমবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পাখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** সিক্কিমগী রাংপোদা লৈবা এস.আই.সি.এ. গ্রাউন্দদা শান্নবা কুজ বিহার ত্রোফি প্লেট য়ুথ ফার্ষ্ট ক্লাসকী মনিপুর অমসুং সিক্কিমগী মেটচকী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা মনিপুরনা রন-১৭১ দা মাংজিল থাদুনা চৎলি।

**ক্রিকেট ঃ** মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ২২ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা-নপসা খা ইম্ফালনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেলবু ৱিকেট অহুমদা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** মোরনিং স্তার এসোসিয়েসন-থাঙ্গা খুনজেম লৈকাইনা শিনদুনা

খুনজেম লৈকাই লাইনিংথৌ লম্পাক্তা চথরিবা মঙাশুবা রাজ্য থাক্কী এল. ইবোচৌ মেমোরিএল ওপন ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবদা-সিক্সরস স্কাউদনা দিসকো-নিংথৌখোংবু রন-৭১ দা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দ ইম্ফালদা শান্নখিবা মেটচতা এস.দি.সি. লাইফ খুনৌনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু রন ১০ দা থোইখি।

তুরনামেন্ট অসিগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা ইম্ফালদা শান্নবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-পি.এস.সি. খুয়াথোংনা এস.য়ু.শগোলবন্দবু রন-১১৭ তা থোইখি।